ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
Refreshingly Readable
HL
The messenger of the masses
হুইয়েন লানপাউ
ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ককচীং অমসুং হিয়াংলমগী মফম কয়ামরুমদগী ককচীং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী টিম্না ফাগৎলকখিবা হীদাক মনা অমসুং হীদাক মনাগী পোৎলমশিং মৈ থাদুনা মাঙহনবগী শক্তম

খুমন লম্পাক মেন ষ্টদিয়মদা হন্দক্তা হাপ্পা হৌখিবা ফ্লদ লাইটিং সিষ্টেম চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন অমসুং য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস মিনিষ্টর লেতপাও হাওকিপনা য়েংশিনবা

তুরেলগী তোর্বান কায়বদগী চেনশিল্লকপা ঈশিংনা পুংকোয় কোনশিনখ্রবা বাসিখোং মমাঙ লৈকায়দা লৈবী নুপী অমনা থক্লবা অফবা ঈশিং শোক্লরগা ময়ুমদা পুরকপগী শক্তম

এন সী সী গ্রুপ হেদ ক্বার্টর ইম্ফালদা পাঙথোকপা মণিপুর গার্লস ইন্দিপেন্দেন্ট কম্পেনিগী কম্বাইন্দ এন্যুয়েল ত্রেনিং কেম্প গভর্নরনা হৌদোকপগী থৌরম

Vol. 41, Issue No.104 থাংজ, ইঙেনগী ১৪ নি পানবা অপুনবা লামায় মশিং ১২ HUEIYEN LANPAO, Saturday, July 08, 2017, Imphal www.hueiyenlanpao.com RNI No. 40746/1978 ₹ 4.50

থাউগী মমল

ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট

পেট্রোল : লিটরদা লুপা ৬১.৯০
দীজল : লিটরদা লুপা ৫২.৪৪

লুপা লাখ ১ কংখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ : শাথিরবা ঈশিং ঈচাউনা মরম ওইরগা অৱাবা তারবা মীয়ামদা মতেং পাংনবা ঙসি ওল মণিপুর গভর্ণমেন্ট এদেদ কোলেজ টিচরস এসোসিএসননা চীফ মিনিষ্টরগী ফ্লদ রিলিফ ফ্রন্দদা লুপা লাখ ১গী শেনফম কংখ্রে। শেনফম অদু এসোসিএসনগী সেক্রেটরি কে ঐচ ইনাওবীনা লূচিংবা মেম্বরশিংনা চীফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটরিয়েটতা পাঙথোকপা অচম্বা থৌরম অমদা শিন্নখি হায়রি।

তেংবাঙ পীখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ : ঈশিং ঈচাউ মায়োক্লরিবা থোংজু এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সীগী মনুংদা লৈবা বাসিখোং গ্রাম পঞ্চায়টকী মনুং চন্না লৈবা ওক্রম চুথেক, বাসিখোং মমাঙ অমসুং মনিং, কোংবা ইরোং, পান্থোইবী অমদি খোংমননচিংবদা মণিপুর লৈঙাক্না পীরকপা রিলিফকী তেংবাঙ পোৎলমশিং মীয়ামদা শীন্নখ্রে। তেংবাঙ পোৎলমশিং অদুদা চেঙ অমদি হৱাই য়াওই হায়রি।

অ ঈং-অশাগী পাউ

মফম	খ্বাইদগী শাবা	খ্বাইদগী ঈংবা
বিষ্ণুপুর	এন এ °C	এন এ °C
চান্দেল	৩২.৬৩ °C	২৫.৫৬°C
সীসীপুর	এন এ °C	এন এ °C
ইম্ফাল	৩১.৮০ °C	২২.৫০ °C
সেনাপতি	৩০.০৮ °C	২১.৫৪ °C
তমেংলোং	এন এ °C	এন এ °C
থৌবাল	এন এ °C	এন এ °C
উখ্রুল	২৩.৩৩ °C	১৬.৮০ °C
মণিপুর	৩২.৮২ °C	১৬.৮০ °C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ৭.২৬ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.২৮
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৬.০৮
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

গ্যাসকী পাউ লামায় ৫দা ফংবিগনি

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	73.559115
US Dollar	64.581884
British Pound	83.177923
Australian Dollar	49.051431
Chinese Yuan Renminbi	9.49616
Japanese Yen	0.566866
Malaysian Ringgit	15.023272
Norwegian Krone	7.711685
Singapore Dollar	46.732319
South Korean Won	0.055974
Swedish Krona	7.647055
Turkish Lira	17.817853
Myanmar Kyat	0.04749
Bangladesh Taka	0.79552

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	28919.79
Mumbai	–	Rs	29475.94
Delhi	–	Rs	29475.94
Kolkata	–	Rs	29550.80

HL POLL

Q : Ex-Chief Secretary O. Nabakishore thabaktagi pottharage haina che tharibasi Govt.ki thouongnara?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Manipurgi Chief Secretary O. Nabakishore transfer touraga mayang hapkhibasi yaningbra?

Yes 27% No 73%

অস! লোইরেহে!

সার, অশোমদা ৱারী হৌখ্রে, টিয়ার গ্যাস, রবর বুলেট রেদি তৌজরে!
ꯁꯥꯔ, ꯑꯁꯣꯝꯗꯥ ꯋꯥꯔꯤ ꯍꯧꯈ꯭ꯔꯦ, ꯇꯤꯌꯥꯔ ꯒꯦꯁ, ꯔꯕꯔ ꯕꯨꯂꯦꯠ ꯔꯦꯗꯤ ꯇꯧꯖꯔꯦ...!



চীংদা ঙমদ্রসু তম্পাক্তদি নৈখায়গে!
ꯆꯤꯡꯗꯥ ꯉꯝꯗ꯭ꯔꯕꯁꯨ ꯇꯝꯄꯥꯛꯇꯗꯤ ꯅꯩꯈꯥꯌꯒꯦ!

হান্নগী চীফ সেক্রেটরি ও নবকিশ্বর থবক্তগী পোত্থারগে হায়না লৈঙাক্তা চে পীশিনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (ঐচ এন এস) :

মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরি ওইনাম নবকিশ্বর লৈঙাক্কী য়াথং মতুং ইন্না ঙসি রাজানি রঞ্জন রস্মি (আর আর রস্মি)দা চার্জ শীন্নরম্লবা মতুংদা থবক্তগী পোত্থাজরগে হায়না মণিপুর লৈঙাক্তা চেরোল অমা পীশিনখ্রে।

মহাক্কী থবক্তগী পোত্থাবগী চেরোল অদু মণিপুর লৈঙাক্কী কম্মিস্নার (দি পি) ভিবেক কুমার দিৱানগনদা অইবা ওইনা পীশিনখিবনি। মহাক্কী থবক্তগী পোত্থারগে হায়বা চেরোল অদুদা চহী অসিগী ওক্টোবর ৯দগী ভোল্যুন্টরি রিটয়ারমেন্ট লৌজরগে হায়না পল্লি। অদুমকপু লৈঙাক্তগী হৌজিকমক্কী ওইনদি অয়াবা পীবগী ওর্দর লৈত্রি।

ভোল্যুন্টরি রিটয়ারমেন্ট লৌরগে হায়না চেরোল পীশিল্লবা তুংদা মহাক্না পাউচে অসিদা হায়খি, মহাক্কী লন্নাই ওইবা মরম খরদগী থবক্তগী পোত্থাজরগে হায়না চে থাবনি। মহাকপু অতোপ্পা মফম অমদা ট্রান্সফর তৌবা অমসুং চীফ সেক্রেটরিগী ফম লৌথোকপগা করিসু মরী লৈনদে।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, থবক্তগী পোত্থাজরগে হায়না চেরোল পীশিনবা মতম অদু ফাওবদি মহাক্কী মথক্তা কনাগুম্বা অমত্তনা শেঞ্জা থুমজাগী মরাল শীরকপা, ভিজিলেন্সকী কেস অমসুং দিপার্টমেন্টেল ইনক্বারিনচিংবসু চথুবা অমফাওবা লৈতে। ভোল্যুন্টরি রিটয়ারমেন্ট লৌবগী মতাংদা মহাক্কী মোত পীনিংঙাইসু লৈতে।

ও নবকিশ্বরনা ফম থাদোল্লগে হায়বা চেরোল পীশিনবগী মতাংদা মশক মমিং তাকথোকহন্নিংদবা একাদিমিসিয়ন অমনা পাউচে অসিদা হায়, ওইনাম নবকিশ্বর কুমজা ২০১৯গী নবেম্বর ৩০দা থবক্তগী পোত্থাগদবনি। মহাক নত্তনা মীতৈ মচা অমনা মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরি ওইরক্কদবসি চহী ১৫ অসিদা ফাওবদি লৈত্রে। ইন্দিয়ন এদমিনিষ্ট্রেটিব সার্বিসকী রুল মতুং ইন্না ষ্টেট অমগী চীফ সেক্রেটরি ওইবা হায়বসি চহী ৩০ থবক তৌরক্কদবনি। চহী ১৫ নৎত্রগা মসিগী মতুংদা মীতৈ মচানা চীফ সেক্রেটরি ওইবা য়াবা মীশক অসি হৌজিক হৌজিক রিমসকী দিরেক্টর ওইরিবা আর কে দিনেশ (আই এ এস) খক্তনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, ও নবকিশ্বরবু ষ্টেট একাদেমি ওফ ট্রেনিংদা দিরেক্টর জেনরেল ওইনা পোষ্টিং পীরিবসি সেক্রেটরি, কম্মিস্নারগুম্বনা পুগদবা ফমনি। হায়রিবা ফম অসি মহাক্না কুমজা ২০০০গী এপ্রিল থাদা সেন্ট্রেল দেপ্যুটেসন্দগী মণিপুরদা কম্মিস্নার ওইনা হল্লকপা মতমদা পুখি। চহী ১৬কী সার্বিস মতুংদা মঙোন্দা অমুক হান্নগী ফম পীবসি নুংঙাইরমগদবা মান্দে।

মহাক্না থবক পুগদৌরিবা ষ্টেট একাদেমি ওফ ট্রেনিংদা দিরেক্টর জেনরেলগী ফম অসি ভেটিরিনরি, এগ্রীকলচরগুম্বা ইচম চম্বা দিপার্টমেন্ট অমগী হেদনা পুগদবা ফমনি। মসিনা মরম ওইরগা মহাক্না চে-চাং চৎনগদৌরিবসি মঙোন্দগী জুনিয়র ওইবা এদমিনিষ্ট্রেটিব রিফোর্মকী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি ওইরিবা ওফিসার অদুগনি। মসিমক প্রোটোকোলদা তৌনদবা অমা ওইবনা ও নবকিশ্বর শোয়দনা থম্মোয় শোক্লমগনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

ঙসিদগী চীফ সেক্রেটরি ওইনা থবক পুবা হৌখ্রবা আর আর রস্মি চহী অসিগী সেপ্টেম্বর ৩০দা থবক্তগী পোত্থারগদবনি। থা ২ রোমগী তেল্লবা মতমসিদা মঙোন্দা লুপ্লবা চীফ সেক্রেটরিগী ফম পুহনবসি নুংদা করিগুম্বা অমদি লৈফম থোকই। আর আর রস্মিনা মণিপুর আই এ এস কাদরগী খ্বাইদগী সিনিয়ার ওইবসু নত্তে। মহাক্কী মথক্তা অমৈসিং লুইখম (১৯৮১ মণিপুর কাদর) লৈরি। *মখা লামায় ৫ কলম ৩*

থাউদা পোৎয়ান তৌবদা চেন্নবনি হায়বা মীওই ১ কৈশুমশঙ য়ৌখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (ঐচ এন এস) :

নম্বোল পুলিস ষ্টেসনগী হৈগ্রুজম মমাঙ লৈকায়দা লৈবা চেক্কোন অমদা লোন্না চলাইরম্বা থাউ য়াম্থোক য়ানশিন তৌফম অমা পুলিসনা হৌখিবা মে ১১দা থুগাইদুনা মাঙহনখ্রবা তুংদা থৌদোক অদুদা মপুং ওইনা চেন্নবনি হায়না মরাল শীরিবা মীওই অমা ঙসি কৈশুমশঙ য়ৌখ্রে।

কৈশুমশঙ য়ৌখ্রবা মীওই অদু খাইদেম অৱাং লৈকায়দগী নোংমাইথেম হেরোজিৎ (৪৩) অপোকপগী মিং লৈখিদ্রবা কুবের কৌই। মহাক থাউদা পোৎয়ান তৌবা, পেট্রোলিয়ম প্রদক্টশিং লোনা য়াদবা মওংদা পৈশিন্দুনা থল্লম্বা অমসুং য়োল্লম্বগী মরালদা পুলিসনা ফানবা মতম শাংনা তান্নরকখিবনি। মদুনা মরম ওইরগা মহাক থা অসিগী ৪দা চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট ইম্ফাল ৱেষ্টট্নগী কোর্টতা চঙজরকখি।

থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউনা হায়, মহাক্না কোর্টতা চঙজরক্লবা তুংদা লোগী ওইবা থবক লৌখৎনবা মহাকপু নম্বোল পুলিস ষ্টেসনগী টিম অমদা শীন্নরকখিবনি। হৌখিবা মে থাদা চেক্কোন্দগী ফাখিবা পোৎয়ান তৌরবা পেট্রোলশিং অমসুং পোৎয়ান তৌবদা শীজিন্নবা পোৎলম কয়ামরুম অদুগী মতাংদা ৱাহং-পাউহং তৌবা লোইরদুনা ঙসি কোর্ট অসিদা পুথোরকখি। পুলিসনা মহাকপু এফ আই আর নম্বর ৩৩ নম্বোল পুলিস ষ্টেসন, ২০১৭গী মখাদা জুদিসল রিমান্দ তৌবিনবা হায়জরকখিবা মতুং ইন্না কোর্ট অসিনা মহাকপু নুমিৎ ১৫নিগী জুদিসল রিমান্দ পীখিবনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, পেট্রোল পম্পশিংদা য়ানশিল্লবা থাউ পী হায়বগী ৱাকৎ কয়া লাকপদগী ৱাথোকশিং অসিদা কনা-কনা চেন্নবগে হায়না থিগৎপা হৌরকপদা থাউ য়াম্থোক-য়ানশিন তৌফম অদু থেংনরকখিবনি অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী নার্কোটিক্স সেলগী ও সী ইন্সপেক্টর কে রঞ্জিৎনা লূচিংবা টিম অমনা রেইদ চথখিবনি।

মফম অদুদগী পুলিসনা পেট্রোল অমদি কেরোসিন য়াম্থোক য়ানশিন তৌরগা মচু শংবদা শীজিন্নবা কেমিকেল খরা, লিটর ৫০০০ চনবা প্লাষ্টিক ৱাটর কন্টেনর অনী, লিটর ২০০০ চনবা প্লাষ্টিক্কী ৱাটর কন্টেনর অহুম, য়োৎকী টেঙ্কি অমা, য়ানশিল্লবা পেট্রোল থন্না য়াওবা লিটর ৫০০০ চনবা প্লাষ্টিক্কী ৱাটর কন্টেনর অমা, কেরোসিন থন্না য়াওবা লিটর ২০০০ চনবা প্লাষ্টিক্কী ৱাটর কন্টেনর অমা, পেট্রোল লিটর ৮০০০ লোম য়াওবা টেঙ্কর (এম এন ৬৫ সী/১০৭৬) ফাগৎখিবা লৈখি। মফমদুদা লৈরম্লিবা পেট্রোল অদু মোরেরোমদগী পুরকপা জীরো সোলভেন্ট হায়বা মখল অদুনি হায়নসু ফোঙদোক্লখি।

মহৈরোয়শিং শুংশোয় শোয়দনা এন সী সী কেদেট ওইগদবনি : গভর্নর

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (ঐচ এন এস) :

মহৈরোয় খুদিংমক এন সী সী মেন্দেটরি ওইগদবনি হায়না মণিপুরগী গভর্নর ডা. নাজমা হেপ্তুল্লানা ঙসি এন সী সী গ্রুপ হেদ ক্বার্টর, দি এম কোলেজ কেম্পসতা পাঙথোকখিবা ত্রেনিং কেম্প অমদা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুরগী গভর্নর ডা. নাজমা হেপ্তুল্লানা এন সী সী গ্রুপ হেদ ক্বার্টর ইম্ফালদা ভিজিট তৌখি। ৬৫ শুবা মণিপুর গার্লস ইন্দিপেন্দেন্ট কম্পেনি, এন সী সী ইম্ফালগী নুমিৎ তরানিগী ওইবা এন সী সী কম্বাইন্দ এন্যুয়েল ত্রেনিং কেম্পদা ৱা ঙাংলদুনা গভর্নর ডা. নাজমা হেপ্তুল্লানা হায়খি, এন সী সী হায়বসি নহাশিংনা থকশি খাশি অমদি মমল য়াওনা হিংনবগী তস্ফম ইন্সটিট্যুট অমনি। স্কুল অমদি কোলেজদা মহৈ তম্লিবা মহৈরোয়শিংনা অমনা অমবু মশক খঙননবা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিং, কলচর, তোঙানবা লোলশিং অমদি হিংবগী পুন্সিরোলশিং খঙমিন্ননবা এন সী সী য়াওবা তঙায়ফদে।

মহৈরোয়শিংগীদমক এন সী সী অসি মেন্দেটরি ওইগদবনি। নেসনল ইন্টিগ্রেসনগী ৱাখল্লোন ফাওবা তঙায়ফদে। ইজরেলদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্তা নেসনল সর্ভিস হায়বসি শোয়ফদ্রবা অমা ওইরি। হান্নদি এন সী সী হায়বসি স্কুল করিক্যুলমগী শরুক অমা ওইরম্মী। মসি স্কুল করিক্যুলমদা য়াওহনবা ...*মখা লামায় ৫ কলম ৫*

প্রসিদেন্সিয়েল মীরেপ রাম নাথ কোবিন্দনা ভোট খোমখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (ঐচ এন এস) :

নেসনল দেম্মোক্রেটিক এল্লাইয়ন্স (এন দি এ)গী প্রসিদেন্সিয়েল মীরেপ রাম নাথ কোবিন্দ ঙসি ইম্ফালদা লাক্তুনা ভোট খোমখ্রে।

ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুংদা মহাক ইম্ফালদা থুংলখি। খোঙচৎ অদুদা য়ুনিয়ন ঐচ আর দি মিনিষ্টর প্রকাস জাবদেকর, অসামগী ফাইনান্স মিনিষ্টর হিমন্ত বিশ্বা শর্ম্মা অমদি বি জে পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা কয়াসু শরুক য়ারকখি। মহাক্না ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলবদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন, রাজ্য সভাগী এম পি ওইরিবা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট কেএসঐচ ভবানন্দ, ষ্টেট অসিদা বি জে পিগা চুংশিন্নদুনা লৈঙাক পায়মিন্নরিবা পার্টিশিংগী মিনিষ্টরশিং,

এম এল এশিং, পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিশিং, বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী মকোক থোংবা লুচিংবা কয়াসু য়াওনা তরাম্না ওকখি।

রাম নাথ কোবিন্দবু তরাম্না ওক্লবা মতুংদা হোটেল ক্লাসিক গ্রান্দে তম্না চৎখি। ক্লাসিক গ্রান্দেদা মিনিষ্টরশিং, পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিশিং, এম এল এশিং য়াওনা মীফম পাঙথোকখি। মীফম অদুদা বি জে পিগা চুংশিন্নবা লৈঙাক পুমিন্নরিবা নেসনল পীপলস পার্টি, নাগা পীপলস ফ্রন্ট, লোক জনশক্তি পার্টি, ওল ইন্দিয়া তৃনমুল কোংগ্রেসকী মীহুৎশিংসু শরুক য়াখি।

মীফম অদুদা লাক্কদৌরিবা প্রসিদেন্সিয়েল ইলেক্সনদা ষ্টেট অসিদগী ভোটর ওইরিবা এম এল এশিং অমদি এম পিশিং মপুং ফানা ভোট পীহন্দুনা মায় পাকহন্নবগী মতাংদা খন্ন নৈনখি। এন দি এগী প্রসিদেন্সিয়েল মীরেপ ওইরিবা রাম নাথ কোবিন্দনা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংগী খোঙচৎকী মনুং চন্না ঙসি ইম্ফালদা থুংলখিবনি। ঙরাং গুৱাহাটিদা থুংদুনা ষ্টেট অদুগী মিনিষ্টর অমদি এম এল এশিংগা উনদুনা ৱারী শানখিবা লৈখ্রে। রাম নাথ কোবিন্দনা মখা তানা নাগালেন্দদা চৎতুনা ষ্টেট অদুগী লৈঙাক পায়বদা য়াওরিবা মিনিষ্টর অমদি এম এল এশিং উনগদৌরি।

সী এমনা স্পোর্টস কমপ্লেক্স য়েংখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (ঐচ এন এস) :

খুমন লম্পাক মেন ষ্টদিয়মদা নৌনা পানখৎখিবা ফ্লদ লাইটিং সিষ্টেম ঙসি চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা হকথেংননা চত্তুনা য়েংশিনখ্রে।

খোঙচৎ অদুদা য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস মিনিষ্টর লেতপাও হাওকিপ, য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টকী মকোক থোংবা ওফিসলশিং অমসুং অতৈ ওফিসল কয়ামরুমসু চীফ মিনিষ্টরগা লোয়নখি।

সী এমনা ওফিসলশিংদা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্স তরু-তনান্না থম্নবা অমসুং মতম মতমগী ওইনা শেমজিন শাজিন্নবা পাউতাক পীখি। কমপ্লেক্স অসিদা চাং নাইনা চঙলকপা মীওইশিংদা আই দি কার্দ পীনবসু খঙহনখি।

হাৎনবা হোৎনরম্বা দুকান ফম্বা মীওই ১ হিংহৌরে

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (ঐচ এন এস) :

ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা সুগ্নু পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা নুংঙু অৱাং লৈকায়দগী দুকান ফম্বা মীওই অমা খুৎলায় পায়বা মীওই অহুম্না ময়ুমদগী শেল অমদি মোবাইল রিচার্জ লৌরগা ফাদুনা পুরক্লগা মখুৎ পুল্লগা তুরেলদা থাদরম্বদগী শিনিংচিংতা হিংহৌরে।

থৌদোক অদুবু লৈকায়গী মীয়াম্না কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা অথুবা মতমদা চেন্নরিবা খুৎলায় পায়বা মীওইশিং অদু ওথোরিটিনা ফারগা চৈরাক পীনবা তকশিল্লক্লি।

থৌদোক অদুদা হিংহৌরবা দুকান ফম্বা মীওই অদুগী মমিংনা তখেল্লম্বম গম্ভীর অপোকপা খোঙ্গোল কৌই, নুংঙু অৱাং লৈকায়গীনি হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা ঙসি নুংথিল পুং ২ তাবদা নুংঙু অৱাং লৈকায়দা লৈবা তখেল্লম্বম গম্ভীরগী য়ুমদা চাইরেন গ্রাম পঞ্চায়টকী মনুংদা লৈবা তোঙান—তোঙানবা ৱার্দকী মৈরা পায়বী ইমা-ইবেন, ক্লব ওর্গনাইজেসনশিং, জিল্লা পরিষদ মেম্বর, ৱাঙু গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান অমদি ৱার্দ-ৱার্দকী মেম্বরশিং লোয়ননা দিভলপমেন্ট কম্মিটি চাইরেন য়াওনা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

ৱাঙু জিল্লা পরিষদ মেম্বর এম রোমেন মৈতৈনা ময়ায় তাংবল লৌদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা গম্ভীরনা হায়খি, ঙরাং নুমিদাং পুং ১০.৩০ রোম তাবদা খুৎলায় পায়বা মীওই অহুম্না মহাক্কী ময়ুমদা চঙলক্লগা মোবাইল রিচার্জ হাপকে হায়দুনা থোঙ হাংদোকহল্লগা নোংমৈ চীংদোলদা খুৎ অমদি চিন পুনশিন্দুনা থমখি। মদুগী মতুংদা মখোয়না মহাক্কী দুকানগী পোৎ-চৈ চৈথাইদুনা শেল, মোবাইল ফোন অমদি রিচার্জনচিংবা লৌরবা মতুংদা মহাক মশাবু মখোয় অহুম্না নমদুনা পুখি।

মতুংদা মখোয়না নুংঙু লিতান ময়ায় য়ৌরকপদা নোংমৈনা কাপ্লগা হাৎলসি হায়নরবা মতুংদা নোংমৈ কাপ্পদা মখোল তানরক্কনি। মরম অদুনা মখুৎ পুল্লগা তুরেল ময়ায়দা ওইনা থাদরসি হায়দুনা তুরেলদা থাদরমখি। অদুবু মহাক লাইবক ফবদগী ঈশিং য়ৌরবা মতুংদা মহাক্কী পুল্লিবা খুৎ অদু নাম্থোরক্তুনা মোংশোং অমগী মরুম থূপ্তুনা য়াম্না ৱানা ঈশিংদা খাঙলবা মতুংদা নোং ঙাল্লগা মহাক ময়ুম য়ৌরকখি হায়রি। *মখা লামায় ৫ কলম ৩*

ঈশিং চিংথোক্লবা আপিল তৌরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (ঐচ এন এস) :

কোংবা ইরোং অমসুং মোরিবদা কায়খিবা কোংবা তুরেলগী তোর্বান মেনশিল্লবসু ঈশিং থুমজিন্দুনা লৈরিবা মফমশিংদা লৈরিবা মীয়ামগী অৱাবা কোক্লনবা ঈশিং চিংথোকপীয়ু হায়না মফম অদুগী মীয়াম্না মণিপুর লৈঙাক্তা আপিল তৌরক্লি।

তুরেলগী তোর্বান কায়খিবা মফম মেনশিল্লবসু কায়খিবা মফম অদুদগী চেনশিনখিবা য়াম্লবা ঈশিং অদু চেম্থোকফম লৈত্রি। তুরেলগী ঈমায় হন্থদ্রিমখৈদি ঈশিং থুমজিন্দুনা লৈখিগনি। নোংজু থা ওইবা মরম্না নোং তারিমখে ঈশিংগী ঈমায়সু ৱাংখৎলক্লি। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা লৈঙাক্না পম্প শীজিন্নরগা ঈশিং চিংথোকপীয়ু হায়রি।

কোরকোমনা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ : মাঙখ্রবা নীংতম্বা হঞ্জিনহন্নবা হোৎনরিবা য়াওল্লুপশিংগী অপুনবা কোওর্দিনেসন কম্মিটি (কোরকোম)গী ৬শুবা মপোক কুমওন, জুলাই ৮না লাকপদা কম্মিটি অসিনা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

কম্মিটি অসিগী কনভিনর কে ঐচ পাম্বৈনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, মালেমগী ২শুবা লাঞ্জাও মতুংদগী অনৌবা ইনোৎ লাক্তুনা নীংখা তম্বা ফংনরকখিবগা লোয়ননা ২১শুবা চহীচা অসিদদি মালেমগী ফম্বাক্তা কোলোনিজমগী তমথিবরা মচৎ অদু মুখৎখিনবা য়ুনাইটেদ নেসন্সনা দিক্লারেসন কয়া লাউথোক্তুনা, মালেমদা দিকোলোনাইজেসনগীদমক থৌশীল থৌরাং কয়া মথং মথং পায়খৎখ্রে।

মালেমগী লোয়চনশিনখ্রবা লৈবাকশিংবু মনিং মখা তম্বা পীথোক্লবা *দিক্লারেসন ওন দ গ্রান্টিং ওফ ইন্দিপেন্দেন্স টু কোলোনিএল কন্ট্রিজ এন্দ পিপলস*গী ৫০শুবা কুমওনগা মরী লৈননা কুমজা ২০১০গী দিসেম্বর ১০দা ফমখিবা য়ু এনগী জেনরেল এসেমব্লিগী ৬৫শুবা মীফম্না কুমজা ২০১১-২০২০ অসিসু *থার্দ ইন্টরনেসনল দিকেদ ফোর দ ইরাদিকেসন ওফ কোলোনিএলিজম* হায়না লাউথোক্তুনা মালেমগী লৈপাক শিনবা থুংনা থৌরম অসি মপুং ফানা চৎনহন্নবা হোৎনরি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, পূম্নমক অসিগী তায়ওন্নবা মওংদা বৃটিশকী লোয়লম ওইরম্বদগী নীংখা তম্বা ফংহৌবদা ঙাইরিবা ইন্দিয়ানা মসিগা য়ুমথংনরিবা লৈবাক মচাশিং থোইদোক হেন্দোক্না কাশ্মীর অমসুং নীংখা তম্না পাঞ্জরম্বা মণিপুর য়াওনা ৱেসিয়া লমদমগী লৈবাক মীয়ামবুদি ঙসি ফাওবা লোয়লম ওইনা নমথদুনা থম্বদগী হেন্দোক্তুনা লাম্মী থাজিন্দুনা অঙকপা ফংনা ওৎ নৈরি, মীওইবগী হক খোঙ্গাউনরি। মসিগী মরুওইবা মরমদি ইন্দিয়াগী হীরম অমত্তদা লিক্লমচৎতা পুল্লক্তবা, নাৎ, শক্তম অমসুং হৌরকফম পূমখেন খেন্নবা, ৱেসিয়া লমদম অসিগী য়েলহৌ ফুরুপশিং অসিবু ইন্দিয়াদা পুময়োৎ য়োৎশিন্নবা হোৎনরি। লমদম অসিগী ফুরুপচাশিংনা মশাগী ফুরুপকী শক্তম কঞ্জনবা অমসুং মরোমদোম লৈঙাকচনবা মীখা পোনবা পামজদবগী ঈহুল অদুগা তায়শিন্নবা য়াদবা ফুরুপকী মুক্লবা অসিনি।

ইন্দিয়ানা লমদম অসিদা চথরিবা অরোনবা লান অসিদগী লাল্লোংদি লমদম অসিবু লৈঙাক্লোনগী ওইনা নমথবা, মসিগী শক্লোন ওইনা রিপ্রেন্সিব লো কয়া শেমদুনা অমসুং লান্মীনা লমদম অসিগী মীয়াম্বু অকি-তুজুং পোকহন্দুনা তুকথহনবা, মহৈ-মশিন তম্বা অমসুং নাৎকী লমদসু ইন্দিয়াগী থৌশীল মতুং ইন্না লমদমসিগী হৌরক্লিবা মীরোলবু মশানা ইন্দিয়ানি হায়না খঞ্জহন্নবা, ইন্দিয়াগী ...*মখা লামায় ৫ কলম ৭*

এন ঈ ঈ টিগী মণিপুরগী টোপ্পর ৩–মীয়ামগী থবক তৌগনি

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (ঐচ এন এস) :

কুমসি চহীগী এম বি বি এস তম্নবা সী বি এস ঈনা লৌবা নেসনল ইলিজিবিলিটি এন্ট্রান্স টেষ্ট (এন ঈ ঈ টি)তা মণিপুরগী ওইনা মকোক-মথং তাখিবা কোমেট কোচিং সেন্টরদগী হৌখিবা মহৈরোয় অহুম্না মীয়ামগী থবক পূকচেল শেংনা তৌগনি ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দিয়াগী ওইনা এন্ট্রান্স টেষ্ট অদুদা পুন্না মহৈরোয় ১১,৩৮,৮৩০ রোম থাখিবগী মনুংদা মণিপুরদগী মহৈরোয় ৫,৬৪১ রোম শরুক য়াখি।

মণিপুরগী ওইনা অহানবা পোজিসন তাখিবী খুল্লাকপম সুবানি কুদুশনা হায়খি, মহাক ন্যু লম্বুলেনদা লৈবা অয়ুব খান অমদি অলমজানগী মচা মঙাগী মনুংদা মহাক্না মরিশুবা মচানুপীনি। মহাক ক্লাস ফোরদগী টেন

ফাওবা ব্রাইটর একাদেমীদা তম্লকই। ক্লাস এলেভেন-টুৱেল্বনা টি জি হায়র সেকেন্দরী স্কুলদা তম্লকই। মহাক বোসেম অমদি কোসেমনা লৌবা এগজামিনেসনশিংদা ফার্ষ্ট দিভিজনদা পাস তৌরকখি। মতুংদা মহাক্না এম বি বি এস তম্নবগীদমক কোমেটতা কোচিং তৌরকখি। মহাক অহুল্লক এম বি বি এস এটেম্প তৌবদা হন্দক মণিপুরগী ওইনা মহৈরোয় ৫,৬৪১ এন্ট্রান্স টেষ্ট তৌবদা অপুনবা মার্ক ৭১০ গী মনুংদা মার্ক ৫৭০ ফংদুনা অহানবা তাখিবনি।

এন্ট্রান্স টেষ্ট অদুদা মহাক্না বাইওলোজি সবজেক্টতা অপুনবা মার্ক ৩৬০ গী মনুংদা ৩২১ ফংখি। কেমিষ্ট্রি সবজেক্টতা অপুনবা ১৮০ গী মনুংদা মহাক্না ১৩৯ ফংখি। ফিজিক্স সবজেক্টতা অপুনবা মার্ক ১৮০ গী মনুংদা মার্ক ১১০ ফংখি। মহাক এম বি বি এস তম্লবা মতুংদা স্পেসলিষ্ট গাইনোকোলোজিদা ওইনা চত্থগনি। লোয়ননা মহাক হয়েং দোক্টর অমা ওইরবা মতুংদা পুকচেল শেংনা মীয়ামগী থৌগল তৌগনি হায়খি। মহাক চাং নাইনা লাইরিক পায়। মহাক্কী হোবিদি ঈশৈ তাবা, টি ভি য়েংবনি।

অনীশুবা তারকখ্রবা থোকচোম সুরেশনা হায়খি, মহাক খাঙবোক ময়াই ...*মখা লামায় ৫ কলম ৫*

LOAN AVAILABLE
[illegible]
মখল খুদিংগী অপাম্বা 2 , 3 and 4 Wheelers Loan
Service Loan
Pension Loan
Gold Mortgage
T.V./Laptop/A.C./Refrigerator Loan
হায়রিবা শিং অসি অরইবা মওংদা অমম্লং খুদক্তা লৌবগী খুদোংচাবা পীজরি।
● 100% Free Processing (Vehicle Only)
AREA COVERED:
Imphal East
Imphal West
Bishnupur
IMPHAL FINANCE CO-OP. THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
H.O. Lokleobung B.O. Paona International Market & Bishnupur Bazar
Please log on http://www.imphalfinancesociety.in.
HL-P/1820/15/6-19/7

ঈ-পাঙ্গা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টশিংগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্নের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫